# জগন রেদিনা অহানবা ওইনা অন্ধ্র প্রদেশতা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৫ লৈহনগদৌরি

অমরাবতি, জুন ০৭ (এজেন্সী):
মমাঙ চয়োলদা অন্ধ্রপ্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুরখ্রবা জগন মোহন রেদিনা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৫ হাপকদৌরি।

ঙসি অয়ুক পাঙথোকখিবা মীফম অমদা রেদিনা দেপ্যুতিচীফ মিনিষ্টর ৫ অমসুং মিনিষ্টর ২৫ লৈহন্দুনা কাংলুপ খুদিংমক্কী অপান্থা ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। অনৌবা মিনিষ্টরশিং অদু থাংজ নুমিৎতা ৱাশক লৌগদৌরি।

জগন রেদিনা লুচিংবা ৱাই এস আর কোংগ্রেসকী লুচিংবা অমনা এজেন্সিনা হায়খি মদুদি সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব, বেকৱার্দ ক্লাসেস, মাইনোরিটি অমসুং কাপু কম্যুনিতিগী মীওই অমমম দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নবা ফিরেপ লৌরে।

অনৌবা কেবিনেটতা শোখহৌরবা কাংলুপকী মীওই কয়ামরুম য়াওহল্লগনি হায়নসু পার্টিগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী ফজনা লৈঙাকপা ষ্টেট অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা জগন রেদি মশামক্কা লৈঙাক পায়রবা মতুং থা ৬ নত্রগা চহী ১গী মনুংদা মিনিষ্টরশিংগী থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লগা অনৌবা মিনিষ্টর কয়া হাপচিন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রে।

এন চন্দ্রাবাবু নাইদুনা লুচিংবা




মমাঙগী লৈঙাক্তা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ২ লৈখি। হন্দক্তা অন্ধ্র প্রদেশতা পাঙথোকখিবা ষ্টেট এসেমব্লী লোক সভাগী মীখলদা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা জগন রেদিনা লুচিংবা ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাকপা ঙমখি। ষ্টেট এসেমব্লীগী অপুনবা সিট ১৭৫গী মনুংদা ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা সিট ১৫১ ফংদুনা এন চন্দ্রাবাবু নাইদুগী টেলুগু দেসম পার্টিবু মায়থীবা পীখি।

ষ্টেট অসিগী অপুনবা লোক সভা সিট ২৫গী মনুংদসু পার্টি অসিনা সিট ২২ ফংবা ঙমখি। জগন রেদিনা চীফ মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুংদা খ্বাইদগী ইহানহান্না লৌখৎখিবা থৌরাংশিংগী মনুংদা সিনিয়র সিটিজনশিংগী পেন্সন হেনগৎহনবা, লৌমীদা পীবা তেঙবাং হেনগৎপা অমসুং মহৈরোইশিংগী স্কোলারসিপকী শেনফম হেনগৎহনবা য়াওরি।

সিনিয়র সিটিজনশিংদা পীবা পেন্সনগী শেনফম হেনগৎপগা লোয়ননা লৌমী খুদিংমক্তা চহীগী লুপা ১২,৫০০ ইনভেষ্টমেন্ট সপোর্ট ওইনা পীগদৌরি। মসিগীসু মথক্তা মহৈরোইশিংদা লুপা লাখ ১.৫ পীনবা থৌরাং অমসু লৌখৎলগনি হায়না লাউথোকখি।

কুমজা ২০১৪-১৫গা চাংদম্ন দুনা য়েংবদা অন্ধ্র প্রদেশকী শেন্দোল হেনগৎলকপা তারবসু মীয়ামগী য়াইফনবা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

চন্দ্রাবাবু নাইদুগী মতমদা লৌখৎলম্বা থৌরাং কয়া লেপহন্নবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা অনৌবা চীফ মিনিষ্টরনা ৱারেপ লৌখি। ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা কেসশিং সি বি আইদা থিগৎহন্নবগী মতাংদা চন্দ্রাবাবু নাইদুনা লৌখৎলম্বা থৌরাং লেপহনখিবগা লোয়ননা অতৈ অতোপ্পা হিরম কয়াদসু মমাঙগী লৈঙাক্না পায়খৎলম্বা থৌরাংশিং শেমদোক্লবা জগন রেদিগী কেবিনেটনা ৱারেপ লৌখি।

# উট্টর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকপদা মীওই ১৯ শীখ্রে

লখনৌ, জুন ০৭ (এজেন্সী):
উট্টর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎলকপগা লোয়ননা অখাক অরাওনা মরম ওইরগা মীওই ১৯ শীরে অমসুং ৪৮না শোক্লে হায়না ষ্টেটকী রিলিফ কম্মিস্নরনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু পিগী রিলিফ কম্মিস্নরনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়খি, মেনপুরিদা মীওই ৬; ইটাহ অমদি কাসগন্জদা মীওই ৩/৩ অমসুং মোরদবাদ, বদাউন, পিলিভিট, মথুরা, কনাওজ, সম্বল অমসুং ঘাজি য়াবাদতা মীওই অমমম শীখি।

শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা উফুল পুবা অকনবা নুংশিৎ শীৎলকখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা উপাম্বী কয়া মরা ফুক্তুনা পুরকখি। থৌদোক অদুদা মেনপুরি দিষ্ট্রিক্টকী মীওই ৪১ অশোকঅপননংখি।

চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা অৱাবা তারবা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাংশিং খুদক্তা লৌখৎনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থবক্তা মরী লৈনবা মিনিষ্টরশিং হকথেংননা য়াওনবা খঙহনখি।

অমরোমদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা কা হেন্না শাবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লবগা লোয়ননা রাজস্থান অমদি উট্টর প্রদেশকী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং



সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭ য়ৌরকখি। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদসু শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪ য়ৌরকপদগী মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লহনখি।

অইং অশাগী চাং ওল্লিবা সফদরজং ওবজার্বেটরিদা সিটি অসিগী টেম্পরেচর সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.৫ য়ৌরকখি। অয়ানগর অমসুং পালামদা লৈবা ৱেদর ষ্টেসনশিংদনা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪.৬ য়ৌরকখি। নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী মফম খরাদা নোং পানা চুখিবদগী টেম্পরেচর হন্থরকখিবা তারবসু রাজস্থানগী চুরুদা শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭.৩ য়ৌখি।

কোটাদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭, গঙ্গানগরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬.৮, বিকানরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৬, জয়সলমরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫.১, অজমিরদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪.৫ অমসুং জয়পুরদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪.১ য়ৌখি।

লাক্কদৌরিবা পুং ৪৮ গী মনুংদা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা শাবগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলকপা য়াই হায়না ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭.২ য়ৌখিবা উট্টর প্রদেশকী বন্দানা খ্বাইদগী শাবা মফম ওইরে। ঝান্সিদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৭ য়ৌনা শাখি। নোংচুপ থংবু উট্টর প্রদেশকী মফম খরদা উফুল য়াওবা নুংশিৎ শীৎলকপগা লোয়ননা নোংথাং কুপ্লকপা য়াই হায়রি।

হরিয়ানাগী ওইনা সেলসিয়স দিগ্রি ৪৫.৩ য়ৌখিবা নারনোলনা খ্বাইদগী শাবা মফম ওইরে। হিসারদদি শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪৪.৯ য়ৌখি। চান্দিগরদনা সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.৫ য়ৌরে হায়রি।

জম্মুদসু শাবগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা সিটি অসিদা সেলসিয়স দিগ্রি ৪২.৪ য়ৌনা শারকপদগী মীয়ামদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে।

# জম্মুদা স্পাই ৪ ফাখিবগা লোয়ননা পাকিষ্টানগী আই এস আইনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং মায় পাকহনখিদ্রে

জম্মু, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী মফম অহুম দোদা, উধমপুর অমসুং কথুৱাদগী লৈবাক অসিগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা টেরোরিষ্টকী থবক থৌরম তৌরম্বা স্পাই ৪ ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

মখোয় মরীমক পাকিষ্টানগী আই এস আই অমসুং হিজবুল মুজাহিদিন লূপনা য়োকখৎতুনা থল্লম্বা নহা ঙাক্তনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি। মখোয় ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সনা জম্মুগী এরিয়াদা ইন্দিয়াগী মিলিটরি ইন্সটোলেসন অমগী থবক থৌরম চথরিঙৈদা ভিদিও রিকোর্দিং তৌরম্বগীদমক ফাখিবনি।

মখোয় মরীমক পাকিষ্টানগী আই এস আইগী কর্নেল ইফটিখর অহম্মদকী মখাদা থবক থৌরম তৌরম্বা মীওই ঙাক্তনি হায়রি। হায়রিবা থৌদোক অদু জম্মুদা লৈবা আর্মী কেম্প অমগী মমাংদা চিংনবা মীওই অনীনা ভিদিও কেমেরা নল্লিঙৈদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ফাখ্রবা মতুং লাকখিবনি।

ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না ফারবা মীওই অনী অদু লান্মীগী পেত্রোল অমদা রাটনুচুক মিলিটরি সেসনগী মমাঙদা লৈবা পরমন্দল মোর মফমদা চীংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈরম্বদগী ফাগৎখিবনি হায়রি।

পাউগী এজেন্সি অমনা মখা তানা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না আর্মি ওফিসলশিংনা পীরকপা ৱারোলদা মীওইশিং অদু মিলিটরি সেষ্টসন অদুবু ভিদিও অমদি ফোটোগ্রাফ লৌদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি হায়রি। ওফিসলশিংনা মখা তানা ফারবা মীওইশিং অদুগী মোবাইল ফোনশিং অদু স্কেন তৌবা মতমদা মখোয়গী ফোনশিং অদুগা পাকিস্তানগী মীওইশিংগা মতম শাংনা ৱারী শান্নবগী রেকোর্দ য়াওরমখি হায়রি। লোয়ননা ফারবা মখোয়দগী ফংখিবা মোবাইলফোনশিং অদুদা মখোয়না ফাদ্রিঙৈগী মাংওইননা মখোয়না নমখিবা ভিদিওশিং অদু পাকিস্তানগী মীওইশিংগা সেয়র তৌরম্বগী রেকোর্দসু থেংনখি হায়রি।

ফারবা মীওইশিং অদু জম্মু এন্দ কাস্মিরগী দোদা দিষ্ট্রিক্টকী মুষ্টাক অহমদ অমসুং কথুৱা দিষ্ট্রিক্টকী নদিম অখতরনি হায়না ওফিসলনা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা টেররিষ্টকা কাপ্নবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবদা টেররিষ্ট ৪ হাৎখ্রে হায়রি। থৌদোক অদু শগোলশেন নুমিৎকী নুংথিল পোবোবতা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টকী পঞ্জান লাসিকপোরা এরিয়দা থোকখিবনি।

পনবা য়াই, থৌদোক অদুগা মরী লৈননা স্পেসল পুলিস ওফিসর (এস পি ও) ২সু টেররিষ্ট হাৎখিবা থৌদোকঅদুদা থিবা খঙখিদ্রেহায়রি। মখা তাবা পাউ অমদা স্পেসল পুলিস ওফিসর অনীনা মখোয়গী কেম্প অদুদগী খুৎলায়গা কোন্ননা জাইস-ঈ-মহমদ (জে ঈ এম)দা য়াওননবা চৎখিবদা নুমিৎ অদুমক্তদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

কাপ্নবগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা টেররিষ্টশিং অদু পুলৱামাগী পঞ্জ্রনদগী অসিক অহমদ, অরিহলদগী ইমরান অহমদ অমসুং চেনখ্রবা এস পি ও পুলৱামাগী টুজানদগী সমির অহমদ অমসুং সোপিয়ানগী উথমুলা কিগমদগী সলমান খাননি হায়রি।

# মিনিষ্টর প্রলহাদ জোসিনা সোনিয়া গান্ধি উনখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী):
পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টর প্রলহাদ জোসিনা ঙসি কোংগ্রেস পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধিগা উনদুনা জুন ১৭তগী হৌগদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফমগী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

নৌনাখল্লবা ১৭শুবা লোকসভাগী অহানবা মীফম জুন ১৭তগী হৌরগা জুলাই ২৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি। জুলাই ৫দনা বজেট পুথোক্লবা থৌরাং তৌরি। লৈঙাক্লা পার্লিয়ামেন্ট মীফম মমাঙদা ওপোজিসন পার্টিশিংগা ৱারী শান্নদুনা লাকখিবগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়র্স মিনিষ্টরনা সোনিয়া গান্ধি উনখিবনি।

প্রলহাদ জোসিনা রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লিদর ওইরিবা গুলাম নবি অজাদ অমদি লোক সভাদা দি এম কেগী লুচিংবা ওইনা লৈরিবা টি আর বালুগসু উনদুনা ৱারী শান্নখি। হন্দক্কী পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা লৈঙাক্লা বজেট পুথোকপগা লোয়ননা অনৌবা ওর্দিনান্স ১০ লো ওইনা চৎনহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্লা ফেব্রুৱারি অমসুং মার্চতা লাউথোকখিবা ওর্দিনাস ১০ লো ওইনা চৎহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা থৌরাং পুম্নমক লৌখৎপা লোইরে হায়রি।

মীফমগী অহানবা নুমিৎ অনীদা অনৌবা লেজিসলেটরশিং ৱাশক লৌরবা মতুংদা লোক সভাগী স্পিকর খনবগী মীখল জুন ১৯দা পাঙথোক্কদৌরি। জুন ২০দা প্রেসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা হাও অনীমক্কী অপুনবা মীফম অমদা ৱা ঙাংগদৌরি।

বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা লো ওন্থোক্কদৌরিবা ওর্দিনান্সশিংগী মনুংদা ত্রিপল টলাককী ৱাফম য়াওরি। হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদা লৈঙাক্লা ত্রিপল টলাক থিংনবগী মতাংদা ওর্দিনান্স অমা চৎনহনখিবা তারবসু ১৬ শুবা লোক সভানা হিরম অসিগী মতাংদা বিল পাস তৌবা ঙমখিদে।

অতৈ অতোপ্পা ওর্দিনান্সশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ন মেদিকেল কাউন্সিল (এমেন্দমেন্দ) ওর্দিনান্স, কম্পেনিজ (এমেন্দমেন্দ) ওর্দিনান্স, বেনিং ওফ অনরেগ্যুলেটেদ দিপোজিৎ স্কিম ওর্দিনান্স, জম্মু এন্দ কাস্মির রিজার্বেসন (এমেন্দমেন্দ) ওর্দিনান্স, অধার এন্দ আদর লোজ (এমন্দেমেন্দ) ওর্দিনান্স, ন্যু দিল্লি ইন্টর্নেসনল অরবিট্রেসন সেন্টর ওর্দিনান্স, হোমিও পেথি সেন্ট্রেল কাউন্সিল (এমেন্দমেন্দ) ওর্দিনান্স অসিনচিংবনি।

# ব্রহমোস প্রোজেক্ট পায়খৎপদা লুপা ক্রোর ৪০,০০০ হেন্না চঙখ্রে ঃ সুধির মিস্রা

ন্যু দিল্লি, জুন ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়া অমদি রসিনানা লুপা ক্রোর ১,৩০০ চঙনা পায়খৎখিবা সুপর সোনিক ক্রুজ মিসাইল শেমগৎনবগী প্রোজেক্টতা লুপা ক্রোর ৪০,০০০ হেন্না চঙখ্রে। ব্রহমোস এরোস্পেকী চীফ একজিক্যুটিব ওফিসর অমদি মেনেজিং দাইরেক্টর সুধির মিস্রানা হায়খি মদুদি কুমজা ১৯৯৮ দগী হৌনা ইন্দিয়াগী দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) অমসুং রসিয়াগী এন পি ও মাসিনোষ্ট্রোয়েলিয়ানা ব্রহমোস মিসাইল পুথোক্লবা থৌরাং অমা পুন্না লৌখৎমিন্নখিবনি।

অহানবদা লুপা ক্রোর ১,৩০০ পুথোক্লগা পায়খৎখিবা থৌরাং অসি অকোনবদা লুপা ক্রোর ৪০,০০০ য়ৌনা চঙলকখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা টেক্স ওইনা লুপা ক্রোর ৪,০০০ পীখিবগা লোয়ননা কান্নবা কয়ামরুম ফংহনবা ঙমখ্রে হায়না মিস্রানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ইন দষ্ট্রিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা সুপর সোনিক ক্রুজ মিসাইল অসি লৈনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লে। লৈবাক অনীগী সাইন্টিষ্টশিংনা খুশম্নরগা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিনা মীওই ২০,০০০ হেন্না থবক পীবগা লোয়ননা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইনরে। হেন্না ফবা মখলগী সুপর সোনিক মিসাইল কয়াসু পুথোক্লবা পান্দম থল্লি।


ꯃꯤ ꯄꯥꯝꯖꯩ / মী পামজৈ / WANTED

Xpressbees courier গী Delivery Staff খরা লৌজগদৌরি। থাগী Salary Rs. 7000-10,000 ওইগনি। মশাগী চহী ১৮-২৫, Smart Phone অমদি Two Wheeler লৈবা নুপা/নুপীনা এপ্লাই তৌবীবা য়াগনি।

HL-P/4285/8,9
**Xpressbees courier**
**Contact No. 7005123267/8787652546/8257070036**

ꯈꯪꯍꯟꯕ / খঙহঞ্জবা

Lamphelpat Collective Farming Co-operative Society Ltd. Regd. No. 12 of 1995-1996 কী ওইবা জেনরেল বোদি মীটিং অমা লাক্লিবা তাং ০৯/০৬/২০১৯গী অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা সোসাইটি অসিগী ওফিসতা পাঙথোকচগনি। হায়রিবা মীটিং অসিদা সোসাইটি অসিগী মেম্বর খুদিংমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা মীটিং অসিদা শরুক য়াবীনবা নোল্লুক্লা পাউজেঞ্জরি।

পাউজেঞ্জরিবা : **General Secretary**
**Lamphelpat Collective Farming**
**Co-operative Society**
HL-P/4284/8

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL**

**Ref :- Mut. Case No. 668/SDC/NBL of 2019**
Tongbram Tomba Singh S/o (L) Ibohal Singh of Utlou Makha Leikai.
*...Petitioner*
-Vrs-
(L) Laithangbam Khomdonbi Devi W/o (L) Telchou Singh of Utlou.
*...O.P.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
7/6/2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 16- Utlou, Patta No. 164 (old), 315 (new), dag No. 1246, area 0.38 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদর মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারিনা মাগী মমিংদা ইঙ্খোল নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

HL-P/4369/8
*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Nambol

ꯈꯪꯍꯟꯕ

**B.SC NURSING ADMISSION OPEN 2019-2020**
**at Gitam University, Visakhapatnam**
ADMISSION WITHOUT ENTRANCE TEST FOR MANIPUR STUDENTS
- Tution Fees Rs 30,000/- per year
- Food & Accommodation Rs. 45,000/- per year

**Eligibility Criteria : 10+2, PCB 50%**
**(only female candidate)**
**Top deemed University having own medical college & hospital**

**ADMISSION OPEN FOR B.Sc. Nursing & GNM 2019-20**
**at Dr. PSIMS & RF Vijayawada A.P.**
**B.Sc Nursing** : Fees Rs. 45,000/- p.a. Hostel Rs. 4000/- p.a.
***Eligibility - 10+2 PCB 45% (Aggregate)***
**GNM :** Rs 15000/- p.a. Hostel Rs 3000/- p.a.
***Eligibility - 10+2 passed any stream 40%***
Mess Fee : Rs. 1,800/- per month (for both B.Sc. Nursing & GNM)
One of the best Medical College in South India, own hospital having 850 beded inside the campus. (Recognised by INC & affiliated to Dr. NTR University

**EDUCARE ZONE** Babupara, Near BOSEM, Imphal
# +91 6009062261, 8794026277
HL-P/3874/2-30(alt.) *www.gitam.edu* *www.drpinnamanenisimsrf.edu.in*


**MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY**
**SECRETARIAT**
**NOTIFICATION**
Imphal, the 6th June, 2019.

*No. 01/01(01)/2019-LA(Estt):* Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to the following anticipated vacant posts in the Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis.

(1) **1(one) post of Assistant Security Sub-Inspector (A.S.I.)**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | UR | ST |
|---|---|---|---|---|---|
| Pay Band – Rs.5,200-20,200/- Grade Pay - Rs.2,400/- p.m. with admissible allowances. | 1. Graduate from any recognised University. 2. Minimum height 5"3" (for Female 5"2"). 3. Minimum chest measurement for male only 31"33". 4. Weight as per standard age. Height weight correlation table as certified by the State Medical Directorate for Police Persons. 5. Selected candidates will be required to undergo initial training in a Training College Centre as per syllabus prescribed by Assembly Secretariat those who have successfully completed initial training will be put through practical/orientation refresher course/training as per programme prescribed by Assembly Secretariat. | 1. Training in NCC/Army/ Police or other similar training. 2. Knowledge of Manipuri and Hindi. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i) above. | 1 | 0 |

(2) **3(Three) posts of Sweeper:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | UR | ST |
|---|---|---|---|---|---|
| Pay Band – Rs.4,400-7,400/- Grade Pay - Rs.1,300/- p.m. with admissible allowances. | (i) H.S.L.C. Passed. | (i) Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i) above. | 3 | 0 |

(3) **3(Three) posts of Mali:**

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | UR | ST |
|---|---|---|---|---|---|
| Pay Band – Rs.4,400-7,400/- Grade Pay - Rs.1,300/- p.m. with admissible allowances. | (i) H.S.L.C. Passed. | (i) Knowledge of Hindi and Manipuri. | i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST & 3 yrs. for OBC Candidates). ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post/service who belongs to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i) above. | 3 | 0 |

***Terms and Conditions:***

1. Application forms will be available at the Assembly Secretariat on payment of Rs. 500/- (Rupees five hundred) only for unreserved candidates and Rs. 300/- (Rupees three hundred) only for S.T./S.C. candidates from **10-06-2019 to 12-06-2019** and duly filled-in form shall be submitted from **13-06-2019 to 15-06-2019** during office hour. Admit Card will be issued from **17-06-2019 to 19-06-2019.**
2. Date, time and venue of examination/Interview/viva voce will be notified later on.
3. Decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
4. This notification may be cancelled at any time without assigning any reasons thereof as per decision of the authority.
5. The number of post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.
6. Detailed information can be had from the office of the undersigned during office hour.
7. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt.Department /Organisation/Institution/to the extent of number of year(s) they have served on contract or regular basis.

*Sd/-* **G. Tapankumar Sharma**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/5448/7,8